# খন্থমিন্নবগী মতম ওইরে

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

নহান্দি থৱায় য়াম্না নুংঙাইতে, য়াম্না শোকিং ওই। মীওইবগী ৱাখল চেনবা মীপূম খুদিংমক্কী মফমদসু শোয়দনা ফাওরমগনি। করম্না নুংঙাইদোইনো? য়েক্লবসু নত্তবা লম কোয়বা লাকচবা মীচমশিং অদুবু মরাল লৈতনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপদুবু কমদৌনা নুংঙাইদৌরিবনো? হৌখিবা এপ্রিল ২২দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইরিবা পহলগামগী বাইশরন স্পোটতা মপান লমগী মীওই অনী য়াওনা মীচম ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অদুদবু কমদৌনা নুংঙাইগদৌরিবনো? থম্মোয় শোকপা পাউনি। ইন্দিয়াখক্তা নত্তনা মালেম শিনবা থুংনা পাউ অদু শন্দোকখি, অতাবশিং থম্মোয় কায়খি অমদি কন্দেম তৌনরকখি। নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা লৈখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মহাক্কী সাউদি অরাবিয়াগী খোঙচৎ তেনশিন্দুনা হল্লকখি। খুদক্তা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহবু মফম অদুদা চৎহনখি। প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্লা চ্যেরমেন ওইরিবা কেবিনেট কম্মিটি ওন সিক্যুরিটিগী মীফম ফমদুনা অকনবা থবক লৌখৎনবা ৱারেপ কয়া লৌখি। মোদিগী এক্সন খুদক্তগী হৌখি। কুমজা ১৯৬০দা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুগা পাকিস্থানগী প্রসিদেন্ট অয়ুব খান অনীনা খূৎয়েক পীনদুনা চৎনরকখিবা, লৈবাক অনীগী মরক্তা শোক্লখিবা লানদা ফাওবা শোক্লকখিদ্রবা ইন্দস ৱাটর ত্রিটি (ঈশিং য়েন্নবগী য়ানচেরোল) মোদি লৈঙাক্লা চৎনররোই হায়না লাউথোকখি। ইন্দস, জেলুম অমসুং চেনাব তুরেলদগী পাকিস্থানদা পীরম্বা ঈশিং লেপখ্রে, হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার ফেল ওইরনি, লৌবুক্তা পীরম্বা অমদি থক্ল-চানবা ঈশিং ফংলরোই, ঈশিং য়াওদনা লেনবা তাবনি। নুংঙাইরমগদ্রা? হা-কার লাউবা তাবনি। মখা তানা অটারি ৱাঘা চ্যেক পোষ্ট থিংজিনখ্রে, চখোক-চৎশিন য়াহনখিদ্রে। ভিশা কেন্সেল তৌখ্রে, পাকিস্থানদগী ইন্দিয়া মচাশিং কৌথোক্লে, ইন্দিয়াদা লৈরম্বা পাকিস্থান মচাশিং পুং ৪৮গী মনুংদা ইন্দিয়া থাদোক্লবা খঙহনখ্রে, মখা তাবা কয়া অমসু লৈরি পূম্নমক পঞ্জররোই। তশেংনা হায়রবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান চঙনদ্রে। দন্দিনি, মরাল লৈতবা মীচম ২৬ মরম লৈতনা হাৎখিবগী। তৌফম থোকপনি, ৱাৎপু ৱাৎলিবনি। লুহোংবা হাপ্তা ফাদ্রিবা হনি মূন লাকপদা নুপীদুগী মমাঙদা নুপাদুবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাত্তোকপা, মসিবু তৌফম থোকপরা হায়বা? মচা পুরগা লম কোয়বা লাকচবা কোপল মমা মচাগী মিৎমাংমক্তদা নুপাদুবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা মসিবু মীওইবগী লীচৎলা হায়বা? তৌফম থোক্তবা, তৌরোইদবা থবক থৌওং ঙাক্তনি।

মোদি শাওই, মহাক্কী বোদি লেংগ্বেজদুনা ময়েক শেংনা তাকই, মহাক শাওই হায়বা। এক্সনসু হৌখ্রে, মসিনা লোইগদবসু মান্দে, মখা চত্থরকখিগদবা মাল্লি। তৌফম থোকপনি, অসুক শাথীবা মীওইবনা তৌফম থোক্তবা থবক তৌরক্লবদবু করিগী য়েংদুনা লৈখিনি? তৌবা তাবনি, তৌবা ঙম্বা খুদিংমক অমত্তা খাক্তনা তৌগদবনি, খঙহনগবনি। টেররিষ্ট শৌগৎপা পাকিষ্টান তুম্না মাঙহনগদবনি। তৌফম থোকপা থবক খরা অথুবা মতমদা তৌরকপগী নুংঙাইবা পোকই, এক্সন খরা অথুবদা উৎলকপগী মোদিবু থাগৎনীংই। অদুবু! মোদিগী অশাওবা অমদি খুদক্তা লৌখৎলকপা এক্সন উরুরগা থম্মোয়দা মথুম-মরাং হৌরকখি। পোত্থাফম খঙদবা চরাংনবা অমা ফাওরকখি। পেন্দবরা, নীংবা কায়বরা নৎত্রগা কল্লকপরা চপ চাবমক হায়বা ঙমদ্রবসু মতম কুইনা ওমদুনা লৈরুরবা মৈগী চীং পোকখায়বগুম থম্মোয়নুংদা পৈদুনা লৈরম্বা পেন্দবগী ৱাহং কয়া পাইথোরকখি। ঐখোয় ইন্দিয়ন নত্তবরা? ঐখোয়গী পূন্সিসে মমল লৈতবরা? ঐখোয় থর্দ ক্লাস সিটিজন অমরা? ঐখোয়বু তীল-কাংগুম্না উবরা হায়বা পেন্দবগী ৱাহং কয়া মৈগী চীংদগী লভা পাইথোরকপগুম থম্মোয়নুংদগী পাইথোরকই। ঙসিদগী চহী অনীগী মমাঙ মে ৩দা থোকখিবা হৌজিক ফাওবা শন্তাইনদ্রিবা তমথীরবা থৌদোক কয়া মথং মথং নীংশিংলকই। সোশল মীদিয়াদা থাগৎনরকখিবা মমি ময়াম মিৎমাংদা মথং-মথং ফন-ফন চোঙথোরকই। নাকোং শীংজা য়ৈখিবা মতমদুগী মীকপ মীরাওখোল ঙসিসু নাকোংদা ঙংদুনা লৈরি। অমুবা মাস্ক উপ্পা শাহিংচাবশিংগী মখূৎ চল্লবা কনবীনবা লৈত্রবা লুৱাংবীনা য়েংখিবা মীৎয়েং, মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোক্লগা তুরেলদা থাদরকখিবা থা নিপানগী অঙাং য়াওনা জিরিগী মীওই তরুক্লা শিবা ঙাইরিঙৈগী ফোটো, হিংনা-হিংনা ময়ূম ছো লোল্লগা মৈ থাদুনা হাত্তোকপীখ্রবা অহল অদুনা ফংলমগদবা চৈনা, ময়ূমদা তূপ্লিঙৈদা মঙক কক্তুনা হাৎখিবগী পাউ ময়াম অমা মিৎমাংদা, ৱাখলদা মথং-মথং লেপ্পা লৈতনা চোঙথোরকখি। খাঙবা ঙমদে, তৌফম খঙদ্রবা থম্মোয়সিনা হংনীংলকই মসিবু টেররিষ্ট নত্তবরা? মতম অদুদা মোদি লৈঙাক্লা করি তৌখি? মোদি কদাইদা লৈখি?

দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লি, কুইরোই নোংমা নীনিগী মনুংদা লাকশিনখিনি, অৱাবা তারবা মীয়ামদুগী আশানি, আশা ভঙ্গ (কায়খি) ওইখি। ঙসি ফাওবা শন্তাইনবা তৌদনা নাকপাক নাকপাক লেপ্লরি, চঙনদ্রি। সিফাই শঙ্গু-শঙ্গু হোনজিল্লকখি, উচুক য়ুংবগুম পরেং-পরেং লেপহনখি। লান খান্বীরগনি খল্লুবনি অদুবু আদেশ (য়াথং) ফংদে হায়দুনা য়ূম মৈ থাবা, পোৎ চৈ হুরানবা, লুট তৌবা, মী হাৎপা ফাওবা কুম্হৈগুম য়েংদুনা লৈখিবনি। মীতৈ লৈবা লৈতবা লমদি মাঙলোই, মণিপুরবু কৌরবসু কুকিলেন্দবু হায়রবসু ইন্দিয়াগী ওইদুনা অদুম লৈগনি খনখিবা মাল্লি। ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং লান খাম্লিংবগী অপাম্বা লৈখিদে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাকখিবদু নুমিৎ ২৬নিগী মতুং মে ২৯দনি। নুমিৎ ২৬নি অদুগী মনুংদা হাৎখিবা মীওইশিং, মৈ থাদোকখিবা য়ূমশিংগী থৌদাং কনাগী ওইফম থোকই। হাৎনগেরা, য়ূম মৈ থানগেরা, লুটপু তৌগেরা তৌনীংবা তৌরো হায়না থাদোকপগা মান্নদ্রা? মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মফমদা ওইরল্লবদি মতম থাদুনা লৈরমগদ্রা? মতম চানা লাক্তুনা খাম্বীরল্লবদি মণিপুরগী ফীভম অসি য়ৌনা শোকচিল্লমদবসু য়াই। নুমিৎ হুম্নি লৈরম্বগী কান্নবা ফংখিবরা? নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা অমুক লাকখিগনি হায়রল্লবসু ঙসি ফাওবদি খোঙ্গুল তারকখিদ্রি। মমাঙথক্তা হপ্তা কাংদনা লাক্লম্বা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংসু মশক উখিদ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরদি মশা লাকপদি লায়রদুনা চহী অনী ফাজিনখ্রবা লানগী মতাংদা ৱা অমত্তা ঙাঙউ হায়বা য়াদ্রি, মণিপুর পল্লু য়াদ্রি। কয়াদা খেন্নরবনো? টুরিষ্ট ২৬ হাৎখিবা পহলগাম টেরর এটেকতদি নুমিৎতুমক্তদা অমিট শাহ মফম অদুদা য়ৌখি। মোদিসু মহাক্কী খোঙচৎ তেনশিন্দুনা ইন্দিয়াদা হল্লকখি, নোংঙানবগা মীফম পাঙথোক্তুনা এক্সন হৌখি। তৌহন্নীংদবা নত্তে, তৌগদবনি লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইবগী তৌফম থোকপা থবক্লি, মতুংদা লমদম্নহনবা য়াদে হায়বদু খঙহনগদবনি। অদুবু ইরমদম মণিপুরগা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগা মান্নবা মওংদা য়েংবীদবা, উবীদবা অমদি খনবীদবা মানবা মওং অমা উরিবসিদি লাইবক থীবনি। লুচিংবা ওইরবদি মান্ননা য়েংহন্নীংই হায়বনিদা। ঐখোয়দি ইন্দিয়াগী সিটিজন নৎত্রবরা হংনীংলকপনিদা।

লমদম অসিদসু পোলিটিসিয়ন কয়া লৈরি, মীখল মতমদদি মশীং থিববু ঙমদে। সর্ভিস তৌরম্বা, ঠিকা তৌরম্বা অমদি মখল মখলগী লল্লোন ইতিক তৌরম্বা শমজিল্লবদা শেল পায়খৎলক্লবা মীওই কয়া কয়া পোলিটিক্স য়াওরকই। লমদম অসিদদি নেতা ওইবসু অরুবা ওইদে। লৈকায়গী ঈরম-নালা তেংলবা, লম্বী থোং খরা শেম্লবা, ক্লব, মৈরাশঙ শাবদা মতেং পাংলবা, লৈকায়গী ফঙ্কশনদা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট খরা তোয়না ওইরগা দোনেশন খরা তৌরবা লোয়ননা পাইজমা কুর্টা লিৎলবা, কুম্বী-কালেন নাইদনা ৱাষ্টকোট লিৎলবা কাবা-কাদবদি মরাইবক্কীনি, ভোট লেপ্পদি অদুম য়ারে, লেপ্নরে। দেল্লী লৈঙাক্কা ফিরাল পুনবা পার্টিগীদি লাইবক্তা শিন্দুর নল্লবা, মোদি অমদি অমিট শাহগী মিংবু মীয়াম মমাঙদা মিকুপ খুদিংগী, ৱাহৈ খুদিংগী তাইবঙ মপুগী মিংলেন শোনবগুম শোঞ্জরবা, মখোয়না লেপ্পু হায়বদা লেপ্লবা, ফম্মু হায়রবসু ফম্লবা লমদম অসিগী মতিক চাবা লুচিংবগী মিংথোল ফংলে, হায়বা ইনবগী মনা ওইনা পোলিটিক্সকী মপূন্সি শাংলে। মদুমক্লি ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা তৌনরিবসি। সেন্টরগী লুচিংবশিংবু পেলহন্নবা হোৎনবদা করিবু অখাকপা লৈরিবগে? তোকউ হায়বদা তোকখ্রেদনা, করি হায়জবা ঙমখি, ঙসি ফাওবা মখা তারুবা ঙমজদ্রি। চীংলোন মনুংদা চাউরম্বশিং চীংলোন মাপন লানখিবদা করি হায়জবা ঙম্মী? অমুক্তা উন্নজগে, লানগী মতাংদা পাউদমজগে হায়জবদা ঙসি ফাওবা তাবীয়ু য়াদ্রি। চহী অনী ফাজিল্লক্লেদনা দর্শন অমুক্তা ফংজগে হায়জবদা তাবীদ্রিবসি। ঙসিদি য়ারেদনা ফি কল্লম্বা করি করম্বা আশা লৈরি? ফরে তাদবগী তাদবা তাদ্রসনু, ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগনি হায়খিবা মীহুৎশিংদি করি তৌরি? লৈঙাক শেমহল্লকখিনি হায়না ঙাইদুনা লৈখিবা তারিবরা? উরেপ উয়ুং তম্বা, শঙ্গাবা অমদি ভাষণ পীথবনা লৈবাক কন্নি, মথৌ তৌরি হায়না লৌরসিরা? মখোয় লৈবগী কান্নরিবরা? চহী অনীগী মতম কুইদবনিকো, মীখল লাকপা খঙহৌরোই। মতমদুদা ভোট খোম্বা লাকপা ঙমখিগদ্রা, করি হায়রগা খোমগনি? লাক্লবদি অমুক হন্না পীখিগদ্রা? মখোয়দা ঐখোয়গী লাইবক অমুক শিন্নখিগদ্রা? খন্থবগী মতম ওইরে। ●

# নীংশা হোঞ্জিনবদা থবোম্বী নাম্মা ফন্দোক্লক্ত্রবদি করি তৌগনি?

- ডা. কে কে পান্দে -
সিনিয়র ভাস্ক্যুলর এন্দ ইন্দোভাস্ক্যুলর সর্জন,
ইন্দ্রপ্রস্থা এপোল্লো হোস্পিটাল, সরিটা বীহার, ন্যু দেল্লী

(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)

অনীশুবদা, অসিগুম্বা পৈশিন্দুনা লৈরিবা নাপু মচুগী মহী অসি, নারিবা অনাবা অদু নীংথিনা লায়েংদবা মরমদগী নাই ওল্লকপা য়াই। হায়রিবা নাই ময়াম অসিনা থবোম্বীদা অকায়-অতোই থোকহল্লি অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা, থবোম্বীগী মনুংদা লৈরিবা নুংশিৎকী মরীশিং অসি য়ুবা হৌরকই, অমদি মতৌ অসুম্না থবাক মনুংদা অয়ুবা নুংশিৎ পৈশিন্দুনা লৈরকই। মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদদি, নারিবা থবোম্বী অসি, মহী-মনাই, অমসুং নুংশিৎকী চাং য়াম্না তুংশিন্দুনা লৈরকপা মরমদগী করিগুম্বা মওং অমত্তদা কামথোকপা নৎত্রগা ফন্দোকপা হায়বদু ঙল্লক্তে। মেদিকেল টর্মদা অসিগুম্বা ফীভম অসিবু 'হায়দ্রোন্যুমোথোরেক্স' হায়না খঙনৈ।

থবোম্বীনা ফন্দোকপা ঙমদবগী অনীশুবা মরম অমনা ন্যুমোনিয়ানা নাবা অসিনি। লায়না অসি নাবা হেক হৌরকপগী মতাং অদুদা লাকশিনহৌদবা তারবদি থবাক মনুংদা মহী-মনাই পৈখৎলকই। ইনফেক্সন থোকপদগী থবোম্বীদা অকায়-অতোই থোকপা, অমসুং মদুনা মহী মনাই থোকহল্লকপা অদুনা থবোম্বী অসি মশাগী মহৌশাগী মওং অদুদা হঞ্জিনবা ঙমদে।

**থবাক্তা অশোক-অপন থোকপা অসিনসু থবোম্বী চপশিনহল্লি :-** ঙসিগী খোঙজেল য়াঙলবা পূন্সি-মহিং অসিদা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক কয়া লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। অসিগুম্বা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং অসিদা থবাক্তা শোকপগী ঈ-পাউ ঐখোয়না তাবা ফংনরি। থবাক্তা অশোক-অপন থোকপা মতমদা শরূ হুমদাংশিং অসি তেকপগা লোয়ননা মনুংদা লৈরিবা থবোম্বী অসিসু শোকপদগী থবাক মনুংদা ঈ থোক্লগা তুংদুনা লৈ। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা করিগুম্বা থোরাশিক সর্জন অমনা অশোকপা মীওই অদু লায়েংবগা লোয়ননা, ঈ অদু থবাক মনুংদগী ট্যুব অমনা চিংথোক্তুনা লৌথোক্তবা তারবদি, মদুনা অরুবা ফীভম অনীখক থোকহল্লকপা য়াই। ফীভমশিং অদুদি অহানবদা, অসিগুম্বা তুংশিল্লিবা ঈ অসি মপঙ ওল্লকই, অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা থবোম্বীদা প্রেসর পীরকই। অনীশুবদা, করিগুম্বা তুংদুনা লৈরিবা ঈ অদুদা মহীক-মতাই চঙখিবা তারবদি, য়াম্না থুনা নাই ওল্লকই, অমসুং মদুনা থবোম্বীদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা, প্রেসর পীরকই। মসিনা মরম ওইদুনা থবোম্বীনা মশাগী লৈফম থোকপা মহৌশাগী ফীভম অদুদা হঞ্জিনবা ঙমদে।

ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা, খূৎলায় পায়দুনা খূৎ থোক্লবা, ফূনবা, অমসুং ইমু-নাইমু তানা হাৎন-শুনবা অসিনচিংবা, থবাক্তা অশোক-অপন থোকহনবগী অতৈ মরমশিংনসু থবাক মনুংদা ঈ তুংশিন্দুনা লৈহল্লি। হায়রিবা তুংশিন্দুনা লৈরিবা ঈ অসি অশোকপা থবাক অদুদগী মতম চানা লৌথোকহৌদবা তারবদি, মদুনা থবোম্বী অসি চপশিনহনগনি অমসুং মপূং ফানা ফন্দোকপা ঙমহল্লোই। মরম অসিনা, থবাক্তা শোক্লবা মীওই অমনা লায়েংনবগীদমক্তা থোরাশিক সর্জন অমগা তান্নগদবনি। থৌওং অসিনা মশাগী থবোম্বী অদু অমাঙ-অতা থোক্কদবদগী কনবা ঙমগনি।

**নোংমৈশিং অসিনসু থবাক চপশিনহল্লি :-** হৌজিক্কী মতমদা, দাকু-দাকাটি অমসুং মীহাৎ-মীপূন তৌবা মীওইশিংনা ইতৎ তত্তনা শীজিন্নরিবা কন্ট্রি-মেদ পিষ্টলশিং অসিনসু থবোম্বী চপশিনহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমগী থবাক্তা কন্ট্রি-মেদ পিষ্টল অমনা কাপশিনবা মতমদা, নোংমৈ মরূ অদুগী চারা অমসুং প্লাষ্টিক মকুশিং অদু থবাক মনুংদা চঙখি। মরূ অদুগী চারাশিং অদুনা অমাঙ-অতা থোকহনবা, নৎত্রগা থোকহন্দবা য়াই, অদুবু প্লাষ্টিক মকুশিং অদুনদি থবোম্বী অসিবু শুকশোয় শোয়দনা অকায়বা থোকহনগনি। অসিগুম্বা প্লাষ্টিককী পোৎশক অসিনা থবাক মনুংদা ইনফেক্সন শাথীনা থোকহন্দুনা নাই ওমখৎহল্লকই, অমসুং মনুংদা চঙখিবা চারাশিংগী মশীং য়াম্লবা মখুলশিং অদুদগী চেন্থোক্লক্তুনা থবোম্বীদা চপশিনহল্লি। করিগুম্বা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি চপশিল্লিবা, লোয়ননা অকায়-অতোই থোক্লবা থবোম্বী অদু অমুক হন্না শেমজিনবা য়াদবা মওংদা মথৌ পাঙথোকপা লেপখিগনি। অদুগুম্বা মতাং অদুদদি থবোম্বী অসি সর্জিকেল ওইনা লৌথোকপা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে।

**থবোম্বী চপশিন্দুনা লৈবদা কেন্সরনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌই :-** থবোম্বীদা নাবা অখন্নবা কেন্সর মখল খরনা থবোম্বী অসিবু মপূং ফানা ফন্দোকপা ঙমহন্দে, অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা থবোম্বীগী মথৌদা অকায়বা থোকহল্লি। অসুম্না চপশিলহনবা থবোম্বীগী কেন্সরশিংগী মনুংদা, থবোম্বী অসিবু য়োমশিল্লিবা মপ্রামদা পোম্বা (ট্যুমর) অসিনি, অমসুং মসিবু অনা-লায়েংগী লোন্দাদা 'মেলিগ্নেন্ট মেশোথেলিওমা' হায়না খঙনৈ। হায়রিবা অনাবা অসি 'এসবেষ্টোস' হায়না খঙনবা মিনরেল অসিগা হকথেংননা থবক শূবা মীওইশিংদা মপূং ওইনা নাহল্লি। অসিগুম্বা মেশোথেলিওমাগী অপোম্বা অসিনা অহানবদা থবোম্বীগী মপান থংবা অকোয়বা মফম পূম্নমক্তা তপ্পা তপ্পা শন্দোক্তুনা লাকশিল্লকপগা লোয়ননা থবোম্বী মনুংলোমদা চঙশিল্লকই, অমসুং মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দে। হায়রিবা অপোম্বা মখল অসি মতম চানা সর্জরি পাঙথোকহৌদবা তারবদি থেঙলবসু, ঙল্লবসু অশিবগী খয়াৎতা তাবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে।

থবোম্বীগী অপোম্বা খরদি নুংশিৎ উতোংগী মসা-মরেং মনুংদা লৈবা য়াওই। অসিগুম্বা অপোম্বশিং অসিনা, থবোম্বী য়ৌগদবা নুংশিৎকী লম্বীদা অথিংবা পীবদগী থবোম্বী মনুংদা নুংশিৎ মতিক চানা য়ৌবা ঙমদে, অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা চপশিলহল্লি। ●

*(মখা চত্থজরকখিগনি)*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৩গী ৱাহং

১) "চকমোম মৈ কনবদা চরৈ ময়িন ফিবু থুম্না চাকলে খুম্বীও কৌএ। য়াওরৌ শাকগুঙ পামেন উ কারক্তা য়েপ্পা শিরমএ অদু নোংগীবু শায়েপ-ও কৌএ।"
ৱাহৈ পরেং অনী অসি লৌথোরক্লিবা অরিবা লাইরিক অসিগী মমিং হায়য়ু।

২) "...গীতাঞ্জলিবু ঐনা পাজরুবদা পূক্লিংদা খনজখি ঐ শৈরেং মখা অমুক ইরুদ্রবসু য়ারে, ঐনা পামজবা শৈরেং মখল পূম্নমক বিশ্ব কবিনা লোইনা ইথোক্তুনা থম্বীরম্লে।"
ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "থাজ থানিল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবা কনানা ইবনো?

৪) "নোক্লীংদবা ফাগি" হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) "শমজিল্লবা লিক্লাং পরেং" হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
***২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪,৫)***
৩) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (২,৩,৪,৫)
৪) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (২,৩,৫)
৫) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
৬) বর্লিন খাঙেম্বম, হৈক্রুজম ময়ায় লৈকায় - (২,৩,৫)
৭) কে ঐচ তাতোন, ঙাইখোং খুলেন মনীং লৈকায় - (২,৩,৫)
৮) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (৫)
৯) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১২গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১১২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

[illegible]

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১১২গী পাউখুম

১) "লীলা ইবা হায়বসি য়াম্না মরিং মরাংবা থবক অমনি। সাহিত্যকারশিংগী মরক্তা খোঙ থাংজিনগদবসু থিয়েটরগী হৌনবীশিংনা ফিজি য়ান্দুনা লৈ।" ৱাহৈ পরেংশিং অসি শোর্ট প্লে খরগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা অইবগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মমিং - হংগী লীলা অমসুং অতৈ লীলা খরা, অইবা - ক্ষেত্রি সনাজাওবা, অহানবা ফোঙবা : ২০১৬।**

২) "মাদর তেরেসা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. থোকচোম ইবোহনবী সিংহ, ওরিজিনেল রাইটর - নবীন চাওলা, অহানবা ফোঙবা : ২০২৪।**

৩) "শীঙেল নাচোম" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? **:- অইবা - খাঙেম্বম তোমচৌ, লাইরিক্কী মখল- ৱারীমচাগী লাইরিক, অনীশুবা খূৎনম : জন্যুৱারী, ২০১৫।**

৪) "শামু মচা" হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - ক্ষেত্রি রাজেন, লাইরিক্কী মখল - অঙাংগী শৈরেং লাইরিক, ফর্ষ্ট এদিশন - ২০২৪।**

৫) "ৱাংমা ৱাংমগী থম্মোয় অনী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অইবা - চোংথাম দীপু, ফর্ষ্ট ইমপ্রেশন, ২০২৪।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।